# কুমজা ২০১০ গী গ্বাংজৌ এসিয়ন গেমসতগী মেদল পুরকপা ঙমদনা ফোর্থ তারগা হল্লকখিবদু ঙসি ফাওবা নুংঙাইতে ঃ চনচন



থোকচোম চনচন
(ইন্টরনেসনেল হোকি প্লেয়র)



হোকিদা মিৎয়েং অমা
রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

হান্নগী মখা...

অমরোমদা, ঐহাকসি শান্নবদা শোকপা পনবা হেক হেক থোকমন্দুনা, খরা চেকশিন্না শান্নৌ হায়দুনা ময়াম্নসু অদুম হায়বীরকখি। অদুবু ফিল্ডদা চৎখ্রবদি শোক্কনি পনগনি হায়বসি নীংশিংদে। প্লেদুদা লুপশিল্লগা শান্নখিবনা লোইনমক কাউথোকখি। কুমজা ২০১১ দা শান্নবদা কলর বোন তেকখিদুনা মওং চাদনা শমজিন্নখিবদগী ঐহাক থা ৮ শান্নবা য়াখিদে। মদুগুম্বা অয়েৎ অপনশিংদুনা ঐবু য়াম্নসু নুংঙাইহনখিদে। শান্নবা হাইবসিগী তোপ তোপ্পা নিশা অমদি লৈ। মসিদা লুপশিনখ্রবদি করিমত্তা চঙবা ঙমদে। কুমজা ২০১২ দা হেক শান্নবা য়াবগা অদুম থোক্তুনা শান্নজরকখি। ইশানা থৱায় হকচাং য়াওনা পামজরকপনিনা মতম খরা লেপ্পুরবসু পিক-অপতি হেক্তা ঙম্মী। কুমজা ২০১২ গী ফেব্রুৱারী ১৮ দগী ২৪ ফাওবা নেদরলেন্দদা তৌখিবা এম ঐচ লীগ য়ুরোপ ইন্টরনেসনেল মেচতসু ইন্দিয়ন টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি।

কুমজা ২০১৩ দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড লীগ রাউন্দ মেচতসু শরুক য়ারকখি। হায়রিবা লীগ রাউন্দ অদু ইন্দিয়ানা ৱিন্নরসু ওইখি। কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ৩০ দগী নবেম্বর ১০ ফাওবা জপান্দা তৌখিবা থার্দ ৱিমেন এসিয়া চেম্পিয়ন ট্রোফিদসু ঐহাক য়াওবা ঙমজরকখি। মসিদসু ইন্দিয়ন টিমনা সিলভর ফংলকখি। কুমজা ২০১৪ গী য়ুরোপ ইন্টরনেসনেল টুর, দুব্লিন অয়রলেন্দদা তৌখিবা অদুদসু শরুক য়াজরকখি। অসিদসু নত্তনা কুমজা ২০১৪ গী এপ্রিল ২১ দগী না মে ৫ ফাওবা স্কোটলেন্দদা পাঙথোকখিবা ৮ শুবা ৱিমেন চেম্পিয়ন চেলেঞ্জ কপতসু ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৪ গী সেপ্টেম্বর ২২ দগী ওক্টোবর ১ ফাওবা চত্থখিবা ১৭ শুবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতসু ঐহাক শরুক য়াজরকখি। মদুদা ইন্দিয়া টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখি।

হোকি শান্নরোয় অমা ওইনা, ইন্টরনেসনেল থাক্কী মেচ ১০০ দা মাই পাক্না শান্নবা ঙম্বগীদমক কুমজা ২০১৪ দা হোকি ইন্দিয়ানা ন্যু দিল্লিদা অখন্নবা মনা পীবীদুনা ইকাই খুম্নবা উৎপীরকখি। মণিপুরগী শান্নরোইশিংগী মরক্তা ইন্টরনেসনেল থাক্কী মেচ ১০০ হেন্না শান্নবা প্লেয়র ময়াম অমদি লৈখি। অদুবু, অখন্নবা চহী খরদগী মশিং থীরগা হোকি ইন্দিয়ানা শিন্দুনা মনা পীবীবা অসিদদি ঐহাক্না লাইবক ফদুনা ফংবা ঙমজরকখি। শান্নরোয় অমগী পুন্সিদদি অসিগুম্বা মখলগী ওর্নর অসিসু, তশেংনা ভেল্যু য়াম্না লৈ হায়না খনজে। ঐখোয়না হোৎনজরকখিবশিং অদুবু, শেংনা খঙবীবা মীওইখরা লৈরি খঞ্জবদা পূন্নিংদা চাউথোকপা পোকচৈ। অদুনা, শান্নবা হায়বসি, প্লেয়র খুদিংমক্কী মশা মশাগী পান্দম অমা লোইনা লৈনরিবনি। ঐগীসু অচৌবা মঙলান কয়া লৈজখি। পুন্সিসিদা ফীভম্না, মতমনা চেঞ্জ তৌহল্লকপসু অদুমক থেংনৈ। রিও ওলেম্পিক ২০১৬ অসিমক, ঐসু চাউনা আশা তৌজরম্মী। অদুবু মমাঙ চহীদা ন্যু দিল্লিদা তৌখিবা ওলেম্পিক ক্বালিফাইয়িং মেচশিংদু ঐদি য়াওবা ঙমখিদ্রে।

কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর থাদা ঐহাক তাওবুঙখোক্তা লৈবা ঙাশেপ্পম বিক্রমজিৎকা য়ুম্বান পুন্সিদা খোঙদামিন্নদুনা হৌজিক্তি ঐহাক থা নিপান শুরবা ইচানুপা অমগী মমাসু ওইরে। অদুবু, হৌজিকসু ঐহাক হোকি শান্নবদি ঙম্লি। য়াম্না কন্না হান্নগুম তকখায়দুনা শান্নবদি ঙমদ্রে। দিপার্টমেন্টকী ওইনদি শান্নজরি। শোকপা, তেকপা, কায়বা কয়া থোকখিবদুনা, হকচাংসি লৈজবী শক্তি লোইনমক ফুদোক্তুনা শান্নবগী থৌনাসি হৌজিক কয়া লৈত্রে। অদুমকপু হৌজিকগসু শান্নববু হৌখ্রবদি মৈ ঈশিং চঙবা মওং অমদি লৈরি। ঐখোয়দগী সিনিয়র ওইবা ইচে ময়াম্না থৌনা লৈনা ফিল্ডদা থোক্তুনা শান্নবা উরুবদা ঐখোয়সু ফ্রি ওইনা মতম খরদি শান্নখিগে হায়নসু খঞ্জরি। মুন্নাইদা লৈরিবা ইচেশিং হৌজিকসু ফজনা শান্নবা লোইনা ঙম্লি। মখোয়না হোকিবু নুংশিবা, মশান্নসিদা ঙাওজবসি উবদা ঐখোয়দসু মশান্নসি শেমগৎচনিংবগী ৱাখল্লোন ফজনা লৈজে। মণিপুরদা হোকি করম হায়না য়োকখৎসিগে হায়বসি ঐখোয়দি পুন্না ফল্লগা খন্নমিন্নে। হন্দক্তসু 'নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল' মিজোরাম টিমনা উশিৎ থওইদনা তৌরকই হায়দুনা ইচে শঙ্গাই মশামক থোক্লগা শান্নখি। মণিপুরগী ৱিমেন হোকি টিমনা শোন্থরকপসি উবদা ঐখোয়দা নুংঙাইতবা ফাওই। অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনেল থাক্তা শান্নবীরকখিবা ইচেশিংদগী মথং মথং কায়দনা কুমজা ১৯৯২/৯৩ দগী লাকপসিনা কুমজা ২০১৬ ফাওবগী মৈতৈ নুপীশিং ইন্দিয়ন ৱিমেন টিমদা য়াওবা ঙম্লি। হৌজিক লৈরিবা সুশিলা, অনুৱারা, লীলী, সনরিক, পীঙ্কিগী মথংদা লাক্কদবসি খীত্তং গেপ লৈনগদবা মানখি। ওজা রোমেশ, ওজা চান্দি হোয়নদি লেপ্পুনা শেমগৎলি। প্লেয়র শেম্বদি লেপ্পা নত্তে। অদুবু নুপী শান্নরোয় মশিং য়াম্না হন্থরে হায়বসিদি ঐখোয়সু ফজনা উরে। হৌজিক খুমন লম্পাক্তা লাক্লিবা অসিদগী থৱায় য়াওনা ফজনা হোৎনবদা ওইগদবা প্লেয়র য়াম্না য়াওরি। হোৎনবদি খরা ৱাৎপা মাল্লি। তাকপী তম্বীনবা ওজাশিংসু মরাং কাইরবনিনা, খীত্তং কন্না হোৎনরগদি, ইন্দিয়া টিমদা ইরাই লাইনা চঙবা ঙমগনি। মরম অদুনা নৌনা হোকি শান্নবীরল্লিবা ইনাওশিংদা ঐনা হায়জনিংবদি মৈতৈ মচাশিংদি তোঙানবা স্পোর্টসকী মগুন পোকপদগী য়াওজরকপনি। মসি থাজবীয়ু। হোকি শান্নরোয় ওইগে খনবীরবদি খীত্তং থৱায় য়াওনা হোৎনবীরকউ হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

# লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মেরি কোমনা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকীদমক ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংগনি থাজরি

বেঙ্গলুরু, জুন ০৮ ঃ লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট এম সি মেরি কোমনা লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসকীদমক ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ফংগনি হায়বগী থাজবা থম্বগা লোয়ননা মহাক্কী মশা ফিট ওইনা লৈনবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবী মেরি কোমনা হায়খি, ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ) অমদি ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিএসন (এ আই বি এ) গী এদহোগ কম্মিটিনা হীরম অসিগী মতাংদা মখোয়না তৌফম থোকপশিং তৌখ্রবনা হৌজিক করি করম্বা ৱাফম লাকপগে হায়বদু য়েংবা তারি। ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রিগী মতাংদা চপ চাবা ফীরেপ অমা থা অসিগী অরোইবা শরুক্তা খঙলগনি। রিওদা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংলবদি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইগনি অমদি মদুগীদমক ঐহাক্কী হকচাং ফিট ওইনা থম্নবা হোৎনরি। মীয়াম্নসু ঐহাক্কীদমক ঈশ্বরগী মফমদা থৌনিবীয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, কাজখষ্টানগী অষ্টানদা পাঙথোকখিবা নুপাগী ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা হান্নগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মঙারক ওইখ্রবী বোক্সর অসিনা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌদুনা রিও



ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি।

মেরি কোমনা মখা তারদুনা হায়, ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অনীশুবা রাউন্দ শান্নখিবা নুমীৎ অদু মহাক্কী লাইবক লৈখিদে। বাউট অদু য়াম্না কৃক কৃক ইন্ননা অকনবা মওংদা লম্বানখি। ফাইট অদু মহাক্না ঙমগনি হায়না খল্লুবগী ওন্ন তৈনবদা জজশিংনা লেপখি অমদি বোক্সিংদা অসিগুম্বা অসি অনৌবা নত্তে অমদি ঐহাক মায়থিহৌখি হায়না কেজি ৫১ গী কাঙলুপতা জর্মনিগী অজিজে নিমানিগী মখুৎতা মায়থিহৌখিবা মেরি কোমনা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অসিদা বোক্সিংগী নেসনেল ফেদরেসন অমা লৈতবগী মতাংদা মেরি কোমনা হায়, নেসনেল ফেদরেসন লৈতবদগী থোক্লিবা প্রোব্লেমশিং অসিগী ৱারোইশিন অমা অথুবা মতমদা পুরক্লগনি। ফেদরেসন লৈত্রগদি শান্নরোয়শিংনা মালেমগীওইবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াদবনা হেন্না ফগনি। বোক্সর অমদি কোচশিংনা ফেদরেসন লৈতবগী নীংবা কায়বা অদু চপ মান্ননা ফাওরি।

অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা এসিয়া-ওসিনিয়া ক্বালিফিকেসন ইভেন্টতা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়াগী ফ্লেগকী মহুৎ এ আই বি এগী ফ্লেগনা মহুৎ শিনখি। মালেমগী ওইবা কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ য়াওদ্রবদি মদুদা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়ারুবগী ৱাহন্থোক লৈরোই। শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল লৌরক্লবা ফাওবদা লৈবাক অসিগী ফিরাল য়াওদ্রবদি মদুনা শান্নরোয়শিংদা হেন্না নীংবা কায়হন্নবা মচাক ওইগনি। ফেদরেসন অসি অথুবা মতমদা শেমদুনা মথৌ পাঙথোকপা হৌরবদি মদুনা অফবশিং পুরকপদা নত্তনা ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংদসু চাউনা মতেং ওইগনি হায়খি।

লৈখিদ্রবা বোক্সিংগী লেজেন্দ মহমদ অলিদা মহাক্কী থম্মোয়নুংদগী ফাওরকপা ঈকায় খুম্নবা উৎলদুনা অলিনা মহাক্কী মতম পুম্বগী হেরো ওইনা লৈগনি। অমদি মহাক্না বোক্সিংগী কেরিয়র হৌরকপা মতমদা লেজেন্দরি অসিনা মহাকপু ইনোৎ পীখি হায়না মখা তানা মেরি কোমনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, রিও ওলেম্পিক্সতা বোক্সিং মশান্নগী ওইনা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রিগী খুদোংচাবা লৈররোই হায়না এ আই বি এগী ৱাঙাঙলোয় নিকোলস জোমার্দনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু করি করম্বা ৱারেপ অমা লাকপগে হায়বদু য়েংবা তারি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ # ৬

- শুটিংগী করম্বা থৌরমদা ভারতকী অভিনাভ বিন্দ্রানা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংখি।
- Elliot 6 M করম্বা ওলেম্পিক দিসিপ্লিনগী মনুং চনবা মশান্ননো?
- ওলেম্পিক্কী ফেন্সিং মশান্নদা হীরম অহুম লৈ, অনী অমদি ফোয়ল অমসুং ইপীনি, অহুমশুবা অদু করিনো?
- মণিপুর টিমনা অহানবা ওইনা করম্বা চহীদা সন্তোস ট্রাফিদা শরুক য়াখিবগে?
- মণিপুরগী চৎনবী মতুং ইন্না করম্বা থাদগী শগোল কাংজে শান্নবা হৌই?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১০, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফ্রেঞ্চকী মিটর ১০০ গী স্প্রিন্টর ভিকাউটনা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৯.৮৬ সেকেন্দদা চেনখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুন ০৮ ঃ

ফ্রেঞ্চ স্প্রিন্টর জিম্মি ভিকাউটনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা সিজন অসিগী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ৯.৮৬ সেকেন্দদা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা চেনখিদুনা মহাক্কী মোন্ট্রেয়ুলদা থমখিবা য়ুরোপিয়ন রেকোর্দ অদুগা মান্নখ্রে।

মশাগী চহী ২৪ শুরবা অসিনা হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা রোমগী দাইমন্দ লীগতা ৯.৯৯ সেকেন্দ চেন্দুনা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও গেমসকী ক্বালিফাইসু ওইখিবনি।

মহাক্না কুমজা ২০১৫ গী জুলাই ৪ দা পেরিসতা পাঙথোকখিবা মিটর ১০০ গী য়ুরোপিয়নগী রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি। মহাক্না থমখিবা মার্ক অদু কুমজা ২০০৪গী এথেন্স ওলেম্পিক্সতা পোর্টুগালগী ফ্রান্সিস ওবিকৱেলুনা চেনখিবা অদুগা মান্নখি।

ঐনা ঙসি থল্লিবা টাইমিং অসি মতিক চারে হায়না ঐনা খল্লি। ঐনা মসিগীদমক শাথিনা অপেনবা পোকই হায়না ভিকাউটনা হায়খি।

মহাক্না মিটর ১০০ গী লমজেলদা থল্লিবা টাইমিং অসি চহী অসিগী ওইনা খ্বাইদগী থুবা টাইমিং ওইরি। চহী অসিদা অতোপ্পা এথলেটশিং ক্বাটারি ফেমি ওগুনোদেনা ৯.৯১ সেকেন্দ, ভেটেরান কিম কোল্লিন্সনা ৯.৯৩ সেকেন্দ অমদি জষ্টিন গাটালিননা ৯.৯৩ সেকেন্দদা চেনখিদুনা অয়াঙবা ওইখ্রবসু ভিকাউটকী টাইমিংনা হেন্না য়াঙবা ওইখি।

জমাইকানগী স্প্রিন্ট লেজেন্দ উসেন বোল্টনা ব্রাজিলদা মহাক্কী মিটর ১০০০, মিটর ২০০ অমদি মিটর ৪x১০০ গী ওলেম্পিক টাইটল দিফেন্স তৌনবা অকনবা মীৎয়েং থল্লি। অদুবু মহাক্না মমাঙ থাদা ওস্ট্রাভাদা ৯.৯৮ দা চেন্দুনা মহাক্কী টাইমিং লৌখিবনি।

ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদল তরুক্লক লৌখ্রবা অসিনা মিটর ১০০ গী লমজেলদা ৯.৫৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখিবনি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল প্লেয়র ট্রান্সফর

ইম্ফাল, জুন ০৮ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা চত্থরিবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল প্লেয়র ট্রান্সফর ঙসি নিপাননি চনবা নুমিৎতা শান্নরোয় ১৮ না ট্রান্সফরগীদমক এপ্লাই তৌখ্রে। ঙসি এপ্লাই তৌখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুগী হান্নগী ক্লব অমসুং মহাক্না নৌনা চৎকদৌরিবা ক্লবশিংগী মমিং মথা মখাদা পীরি।

| Sl.No. | Name | From | To | Category |
|---|---|---|---|---|
| 1 | O. SURCHAND SINGH | YSWA (BPR) | SCK (IWDFA) | AMATEUR |
| 2 | L. RISHIKANTA SINGH | UPSA (IEDFA) | SYDA (TBL) | -DO- |
| 3 | K. SOMEN SINGH | TRAU (IWDFA) | DOAK (IEDFA) | -DO- |
| 4 | KSH. NANAO SINGH | UPAA (IEDFA) | NACO (IWDFA) | -DO- |
| 5 | K. WANGLEN SINGH | AIFA (TBL) | CHIKL (IWDFA) | -DO- |
| 6. | KH. SANTA SINGH | KLASA (BPR) | CHIKL (IWDFA) | -DO- |
| 7. | S. HOMESHWOR SINGH | AMOFA (BPR) | CHIKL (IWDFA) | -DO- |
| 8. | PALMEI MEIKINLUNG | AIM (IEDFA) | THAU (IWDFA) | -DO- |
| 9 | M. BOY SINGH | NEROCA FC (IEDFA) | THAU (IWDFA) | -DO- |
| 10 | A. NAOBA MEITEI | NIVSO (IEDFA) | THAU (IWDFA) | -DO- |
| 11 | W. IBOYAIMA LUWANG | WAFA (IWDFA) | RAU (IEDFA) | -DO- |
| 12 | M. SUBHAS SINGH | FC KHANGLAI (S/HILLS) | SU (IWDFA) | PROFESSIONAL |
| 13 | RONALDO WAIROKPAM | NEROCA FC (IEDFA) | CHIKL (IWDFA) | AMATEUR |
| 14 | TH. SANTOSH SINGH | AIM (IEDFA) | AFC (TBL) | -DO- |
| 15 | TONY TAKHELLAMBAM | AIM (IEDFA) | THAU (IWDFA) | -DO- |
| 16 | N. KHOGEN SINGH | HISU (TBL) | NACO (IWDFA) | -DO- |
| 17 | PH. TOMBA SINGH | FC MOIRANG (BPR) | YAC (IWDFA) | -DO- |
| 18 | PH. DINESHWOR SINGH | UPAA (IEDFA) | HISU (TBL) | -DO- |

## বোক্সিং ট্রাইয়েল

ইম্ফাল, জুন ০৮ ঃ ইন্দিয়ন নেভিদা রিক্রুইট তৌনবগীদমক মহৈগী থাক ক্লাস টেন নৎত্রগা টুয়েল্ভ পাস তৌরবা বোক্সিং শান্নরোইশিংগীদমক ট্রাইয়েল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১১ গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক সাই এস এ জি সেন্টরদা পাঙথোক্লগনি।

রিক্রুইটমেন্ট গীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা বোক্সিংগী ট্রাইয়েল অসিদা শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মশা মশাগী মরী লৈনবা চে-চাংশিং অমদি বাইও দেটাশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়ন নেভিগী কোচ অর্জুন এৱার্দী এম সুরঞ্জয়দা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

## চাওবা, বেমবেম স্পোর্টর খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দদা থা অসিগী ১২ দগী পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা জুনিয়র গার্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ তা স্পোর্টর ওইনবগীদমক এ এফ সী 'এ' লাইসেন্স, এন চাওবা দেবী অমসুং এ এফ সী 'বি' লাইসেন্স ওইনাম বেমবেম স্পোর্টর ওইনবগীদমক খনখ্রে। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন অমসুং দি এস এ ককচীংনা শরুক য়াগনি।

# রসিয়ন হম্মর থ্রোৱর দোপিংগা মরী লৈনরম্বদগী মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থমখ্রে

মোস্কো, জুন ০৮ ঃ রসিয়নগী হম্মর থ্রোৱর কিরিল্ল ইকোন্নিকোভানা এন্টি দোপিং রিগুলেসনবু ভাইওলেটিং তৌবগীদমক মপুন্সি চুপ্পা শান্নবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা য়াওবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে হায়না স্পোর্টস মিনিষ্টর ভিটালি মুটকোনা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা থা তরুক অসিদা ঐখোয়না দোপিং টেষ্ট তৌখিবদা পোজিটিব ওইরম্বা অনী রেজিষ্টার তৌখি হায়না মুটকোনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

নুপীমচা অমা মহাক্কী মনাতোনদা করিগুম্বা খরা কাপশিনখি অদুবু মহাক্কী ফীভম অসি অমুক হন্না খন্নখিগনি। ইকোন্নিকোভনা মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা বেন তৌরে হায়না টাসনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

হম্মর-থ্রোৱর ইকোন্নিকোভনা কুমজা ২০১২ দা লন্দনদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্সতা মঙাশুবা পোজিসন তাখি। অদুম ওইনমক ইন্টরনেসনেল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্স (আই এ এ এফ) না তুংদা রসিয়ন এথলেট অসিদগী দোপিং সেম্পল কলেক্ট তৌনবা হায়জরকখি। দোপিং সেম্পল অদু টেষ্ট তৌবদা অথিংবা থমখ্রবা ষ্টেরোইদ ওরেল টুরিনাবোলগী সবষ্টেন্স য়াওরম্বদগী পোজিটিব ওইখি অমদি ইকোন্নিকোভপু কুমজা ২০১২ গী নবেম্বর ২ দগী চহী




অনীগী অথিংবা থমখি।

রিগুলেসন্স মতুংইন্না করিগুম্বা এথলেট অমনা মহাক্কী পার্ফোমেন্সতা ইথিল পীগদবা দ্রগ অনীরক হন্না শীজিন্নরম্বা থেংনরবদি নুপা নৎত্রগা নুপী অদু মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা শান্নবগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শরুক য়াদনবা অথিংবা থমগনি হায়না য়াওরি।

মিনিষ্টরগী মতুংইন্না রসিয়ন প্রোসিক্যুটর জেনরেলগী ওফিসলনা নেসনল এথলেটশিং দোপিংগা মরী লৈনবা কেসশিং থিগৎপগী থবক চত্থরি অমদি মরাল লৈবশিং খুদম চাংদম পুথোক্লবা হোৎনরি।

ঐখোয়দা মীদিয়ানা করিগুম্বা হীরম খরদা এটেক তৌরি হায়না মুটকোনা থম্লদুনা প্রোসিক্যুটর জেনরেলগী ওফিসনা থৌদোক খুদিংমক থিজিল্লি অমদি মখা তাবদা ক্রিমিনেলগী ওইবা খুদমদ চাংদমশিং লাক্কনি হায়বগী থাজবা ঐঙোন্দা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

চৎলিবা চহী অসিদগী হৌদুনা রসিয়নগী স্পোর্টসতা দোপিং কন্ট্রোল তৌনবা ব্রিটিশ এন্টি দোপিং এজেন্সী (য়ু কে এ দি) গী সুপর্ভিজন মখাদা রসিয়ন এন্টি দোপিং এজেন্সী (রুসাদা) না চেকশিন্না এক্সর্সাইজ তৌবা হৌখি। রসিয়নগী স্পোর্টস অসি অথেংবা মতমদা দোপিংগা মরী লৈনবা স্কেন্দলশিংগী সেন্টর অমা ওইদুনা লাক্লিবনি।



HL-B/3071/29/4-28/5



HL-B/3080/5/05-4/06

লেংশিনবিরকউ/
হুইয়েন লানপাউগী
অনৌবা ওফিস
কৈশাম্পাৎ চুড়াচান্দপুর পার্কিং মনাক
খুদোংচাবা লৈগনি
- প্রেস রিলিজ
- ঈ-পাউগা মরী লৈনবা ফোটো
- আর্টিকল
- এদভর্টিজমেন্টনচিংবা পীশিনবা য়াগনি।

ওফিসকী মতম :
অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা
হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স

